# রামজাস কোলেজদা খৎন-চৈনখিবগী মতাংদা এন ঐচ আর সীনা নোটিশ থাখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): ফেব্রুৱারী ২২ দা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী রামজাস কোলেজ মপান্দা পুলিসনা কা হেনবা থৌওং চথুখি হায়বা ৱাফম অমগী মতাংদা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)না দিল্লি পুলিসকী কম্মিস্নারদা নোটিশ থাখ্রে।

এন ঐচ আর সীনা হায়খি, পুলিস পার্সনেলশিংনা নুপী মহৈরোয় অমা ফূখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুবু রেকোর্দ তৌহৌবা মিদিয়া পার্সনশিংদগী কেমেরা মুনখি হায়বা ৱাকৎ অমা লাকপদগী পুলিসকী মথক্তা নোটিশ থোকখিবনি।

খৎন-চৈনবগী থৌদোক অদুগী পাউ লৌনবা হোৎনখিবা পাউমী ১০ পুলিসনা খুপাক্লা থাবগা লোয়ননা তমথীবা মওংদা ফূখি হায়বা ৱাকৎ অমা লাকখি। কম্মিসনননা হীরম অসিগী মতাংদা নোটিশ অমা থোকখিবগা লোয়ননা চয়োল মরিগী মনুংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কদবনি হায়না পুলিসতা খঙহনখি।

অমরোমদা, বি জে পিগী ষ্টুদেন্ট'স ৱিং ওইরিবা এ বি ভি পিবু মরাল শীরদুনা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না হায়খ্রে মদুদি, রামজাস কোলেজদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকহনখিবা এ বি ভি পিগী মেম্বরশিংগী মথক্তা দিল্লি পুলিসনা করি করম্বা থবক লৌখৎলবগে হায়বদু মীয়াম্না খঙবা পাম্মী।

এ এ পিগী সিনিয়র মেম্বর অটিশি মারলেনানা হায়খি মদুদি, গুজরাট ফাওবা চৎতুনা এ এ পিগী এম এল এ অমা ফাখিবা দিল্লি পুলিসনা এ বি ভি পিগী মথক্তা মখল অমত্তগী থবক লৌখৎপা ঙমদ্রে। এ বি ভি পিগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবী দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় গুরমেহার কোরবু নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনগনি হায়না কিহল্লকখি। অদুবু দিল্লি পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদ্রে।

রোহটাস নগরদগী মায় পাক্লত্তুনা এ এ পিগী এম এল এ ওইরিবা সরিতা সিংহনা হায়খি, বি জে পিনা এ বি ভি পিগী কা হেনবা থৌওং শীজিন্নরগা ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটি পুম্নমক খুদুম চন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লে।

পনবা য়াবদি, রামজাস কোলেজগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনবদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকখিদে হায়বগীদমক মমাঙ চয়োলদা দিল্লি পুলিসকী পার্সনেল অহুম থবক্তগী লৌথোকপা লৈখ্রবনি।

দিল্লিগী পুলিস কম্মিস্নার অমুলিয়া পাটনাইকনা হায়খি, এ বি ভি পি অমসুং এ আই এস এগী মেম্বরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবগী মতাংদা ক্রাইম ব্রাঞ্চনা থিগৎতুনা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্কদবনি।

দিল্লি পুলিসকী স্পোক্সপার্সনসু ওইরিবা স্পেসল কম্মিস্নার ওফ পুলিস (সাউথ ৱেষ্ট) দিপেন্দ্র পাথকনা হায়খি, মহৈরোয় মশেল খুৎ থোক্লরকপদা মশাগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তুনা ফীভম লাকশিন্নবা হোৎনখিদবগীদমক পুলিস ওফিসল অহুম থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরে। ক্রাইম ব্রাঞ্চনা হীরম অসিগী মখাদা মখা তানা থিগৎখিগনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা হায়খ্রে মদুদি, কন্সটিট্যুসননা মীপুম খুদিংমক্তা মনিং মখা তৌনা অপাম্বা ৱাফম ফোঙদোকচনবগী রাইট পীবা তারবসু হায়রিবা রাইট অদু শীজিন্নরগা কোলেজগী কেম্পস মনুংদা এন্টি নেসনল ওইবা থবক থৌওংশিং চথুবা য়াদে। ফ্রীদম ওফ স্পিছকী মিংদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা স্লোগান লাউবা য়াদে। লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা শোক্কদবা ৱাফম অমত্তা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ফোঙদোকপা য়াদে হায়নসু দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা তল্লকখিবা রিজিজুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা রামজাস কোলেজদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা খঙহনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা ফোঙদোকখ্রে।

# 'মীওই ক্রোর ২০ ফূম্নবগী মফম লৈতবা মরম্না মুস্লিমশিং শিরগা পোৎলোইগদবনি'



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): খোইশাউনবা পোকহনবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবা বি জে পিগী এম পি সক্সি মহারাজনা হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক অসিদা মোংফম শাবা লেপহন্নবগী মতাংদা লো অমা চৎনহনবা মথৌ তাই। মুস্লিম খুদিংমক শিরবা মতুংদা ফূম্বা তারবদি অকোনবদা মফম লৈরক্লোইদবা মরম্না ফুরুপ অসিগী মীওইশিংসু শিরবা মতুংদা পোৎলোইবগী থৌরম পাঙথোক্কদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

উন্নাওদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা বি জে পিগী এম পি অসিনা হায়খি, কব্রিষ্টানদবু ওইরবসু নৎত্রগা শমশানবু ওইরবসু অশিবা হকচাং লৈরোন চনবগী থৌরম পাঙথোকহল্লোইদবনি। লৈবাক অসিদা হিন্দু লাইনিংবা ক্রোর ২.৫ রোম লৈ। হায়রিবা মীওইশিং অসি লৈখিদ্রবা মতুংদা মখোয়-মখোয়গী নীংশিং খূভম অমা শেমগৎকদবা লৈবনা লমগী মথৌ তারক্কনি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা মুস্লিম ক্রোর ২০ হেন্না ইন্দিয়াদা লৈরি। হায়রিবা মুস্লিমশিং অসি শিরবা মতুংদা মতৌ করম্না অমসুং কদায়দা লৈরোন চনগদৌরিবনো হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে।

অমরোমদা, বি জে পিগী এম পিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা হায়খ্রে মদুদি, উত্তর প্রদেশতা হৌজিক পাঙথোক্লিবা এসেম্ব্লি মীখলদা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক বি জে পিনা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা সক্সি মহারাজগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা সন্দিপ দিক্সিটনা হায়খি, লাইনিং লম্বী খেন্নবগী মতুংইন্না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী মওংসু খেন্নে। করিগুম্বা কব্রিষ্টানগী মথৌ তারবদি মদুমক শেমগৎকদবনি। চপ মান্নবা মওংদা করিগুম্বা শমশান অমা শেমগৎপা মথৌ তারবসু মদুমক শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা, সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা নরেশ অগরৱালনা হায়খ্রে মদুদি, সক্সি মহারাজনা কাঙলূপ নাইবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা হিন্দু অমদি মুস্লিমশিং লাপথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লে। বি জে পিনা লৈবাক্কী কান্নগদবা ৱাফম অমত্তা পুখৎনিংঙাই লৈতবদগী কাঙলূপ মশেল উংখৎনবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোরকপনি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফটেহ্পুরদা পাঙথোকখিবা মীখলগী রেল্লি অমদা হায়খিবনি মদুদি, করিগুম্বা কব্রিষ্টান শেমগৎনবগী লম পীবা থোক্লবদি শমশান শেমগৎনবগী মতাংদসু চপ মান্নবা মওংদা লম পীফম থোকই। তোঙান-তোঙানবা লাইনিং লম্বী চৎপা মীওইশিংদা খেন্নবা মীৎয়েং থম্বা চুমদে। খুঙ্গং অমদা কব্রিষ্টান শেমগৎলবদি হায়রিবা খুঙ্গং অদুমক্তদা শমশান অমসু শেমগৎকদবনি। রমজান মতমদা চাং নাইহ্না মৈ ফংহনবা তারবদি দিৱালিগী মতমদসু চপ মান্নবা মওংদা চাং নাইনা মৈ ফংহনবা মথৌ তাই। মুস্লিম অমসুং হিন্দুগী মরক্তা খেন্নবা মীৎয়েং থম্লোইদবনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লৈবাক ৱাথোক ওইহনবা য়াবা মওংদা সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অজম খাননা হায়খ্রে মদুদি, মুস্লিম অয়াম্বা মশাগী শিনফম লৈতবা মরম্না অঙাং য়াম্না পোকপনি।

উত্তর প্রদেশকী কনোজদা পাঙথোকখিবা মীখলগী মীফম অমদা অজম খাননা হায়খি, মুস্লিম অয়াম্বা মশাগী শিনফম লৈতে। মরম অদুনা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌনিংঙাই লৈতবদগী অঙাং য়াম্না পোকপনি। ফুরুপ অসিগী মীওইশিংবু মশাগী শিনফম অমমম্ পায়হনবা থোক্লবদি অঙাং য়াম্না পোকপগী চাং হন্থরক্কনি।

ইলেক্সন কম্মিসনননা লাইনিং লম্বী অমসুং কাঙলূপ-ফুরুপ খেন্নবগী ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা ভোট খোম্নবা থৌরাং লৌখৎপা য়ারোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# কেন্সাসকী বারদা কাপ্তুনা হাৎখিবা ইন্দিয়াগী এঞ্জিনীয়র অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে



হাইদ্রবাদ, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): মমাঙ চয়োলদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী কেন্সাসতা লৈবা বার অমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা ইন্দিয়ন এঞ্জিনীয়র শ্রীনিভাস কুচিভোটলাগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা শ্রীনিভাসকী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংবু কার্গো ফ্লাইট অমদা হাপ্তুনা ঙরাং পোক্লফম লমদম হাইদ্রবাদতা পুরকখিবনি। কার্গো ফ্লাইট অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ তাবদা রজিব গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখি। মীওই কয়ানা ঙসি হাইদ্রবাদতা তিনখিবগা লোয়ননা কুচিভোটলাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা লৈ কৎতুনা অরোইবা ওইনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

ময়ুম পানবা চহী ৪ রোমতা ঙাইরিবা কুচিভোটলানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা এভিএসন এঞ্জিনীয়র ওইনা থবক তৌদুনা লৈরকখিবনি। মহাক লৈখিদবগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা অমেরিকাদা লৈরিবা ইন্দিয়ন-শিং মখা তানা লৈথবদা খুদোংথীবা নংগদ্রা হায়বগী মতাংদা নুংনাংবা পোক্লরে। হৌজিক-হৌজিক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ইন্দিয়ন লাখ ৩০ হেন্না লৈরি।

কুচিভোটলাগী নীংশিং খূদম ওইনা পাঙথোকখিবা কেন্দল পায়রগা চৎপগী খোঙচৎ অমদা হায়রিবা ইন্দিয়নশিং অদু শরুক য়াখি।

কুচিভোটলাগী লোয়নবীনা মীশীং য়ামদবা মীওই কাঙলূপকী মথক্তা চথুরিবা ক্রাইম থিংনবা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদুগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী পাউখুম তাবা পামখিবনি।

হন্দক্তা কেন্সাসকী বার অমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপীখ্রবা শ্রীনিভাস কুচিভোটলাগী লোয়নবী সুনায়ানা দুমালানা হায়খি, য়ু এসতা মীশীং য়ামদবা কাঙলূপকী মীওইশিংদা হন্থবা মীৎয়েং য়েংবগা লোয়ননা তাথী তাওইনা তৌবগী থৌওং চথুরকপা মরম্না মাইনোরিটিশিং পূক্লিং লৈতানা হিংবা ঙমদ্রে।

শ্রীনিভাসনা থবক থৌরম্বা জি পি এস মেকর গার্মিননা শীল্লগা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সুনায়ানা হায়খি, মীশীং য়ামদবা কাঙ-লূপকী মথক্তা চথুবা ক্রাইম থিংনবগী মতাংদা দোনাল্ড ট্রম্পনা লুচিংবা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা করি করম্বা থৌদাং লৌখৎকদগে হায়বদু খঙবা পাম্মী।

হাউস্তনদা লৈবা ইন্দিয়াগী কোন্সল জেনরেল অনুপম রেনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা ইমুং অমদি অতৈ ইন্দিয়নশিংগী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি।

ইন্দিয়ন কোন্সুলেটনা শ্রীনিভাস কুচিভোটলা লৈখিদবগী পাউ হেক ফংবগা খুদক্তা দেপ্যুটি কোন্সল আর বি জোসি অমদি ভাইস কোন্সল ঐচ সিংহবু কেন্সাসতা থাদুনা শ্রীনিভাসকী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা উনহনখি। কোন্সল জোসিনসু কেন্সাসতা লৈরিবা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগা উনদুনা মখোয়গী পূক্লিংদা ফাওরিবা মীপাইবা অমদি লাংতক্লবা পুম্নমক কোকহন্নবা হোৎনখি।

কাঙলূপ নাইবগী মওংদা শ্রীনিভাস কুচিভোটলাবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী মতাংদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

# পাকিষ্টানি ৩৯ থাদোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): ইস্লামাবাদনা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলকখিবা থৌরাংগী পাউখুম পীবা ওইনা ইন্দিয়াদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা পাকিষ্টানি মচা ৩৯ অথুবা মতমদা থাদোক্লগনি হায়রি।

ইস্লামাবাদনা ইন্দিয়াগী লাম্মী বাবুলাল চাৱন থাদোরকখ্রবা মতুংদা পাকিষ্টানগী হায় কম্মিস্নার ওইনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা অব্দুল বাসিটনা হায়খিবনি মদুদি, ইন্দিয়ানসু য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী পুরক্লবগী পান্দমদা পাকিষ্টানি ৩৩ ইন্দিয়াগী জেলশিংদগী থাদোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

জে য়ু দিগী লুচিংবা হাফিস সায়িদপু হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্বগী মতাংদা ইন্দিয়ানা মখল অমত্তগী কম্মেন্ট পীখিদবা তারবসু ন্যু দিল্লি অমদি ইস্লামাবাদকী মরক্তা ৱারী শানদুনা অফবা মরী পুরক্লবগী খুদোংচাবা ফংলে হায়না লৌবগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী মীওই ৩৯ থাদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

হৌখিবা জানুৱারী ৬ তা পাকিষ্টাননা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা ইন্দিয়াগী ঙামী ২১৮ থাদোরকপা লৈখ্রবনি। লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাকিষ্টাননা চয়োল অনীগী মনুংদা মতৌ অসুম্না ইন্দিয়াগী ঙামী থাদোরকপা হন্দক্লা অনীরক শুরে।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৫ দসু পাকিষ্টানি ওফিসলশিংনা ইন্দিয়াগী ঙামী ২২০ কারাচিদগী লাহোর ফাওবা ট্রেন তোংদুনা থারকখিবগা লোয়ননা মফমদুদগী ৱাগাহ বোর্দরদা পুরক্তুনা ইন্দিয়ন ওঠোরিটিশিংদা খুৎশিন্নরকখি।

পাকিষ্টান ফিশরফোক ফোরমগী চ্যেরপার্সন মহমদ অলি শাহনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না কারাচিগী মালির জেলদা ইন্দিয়াগী ঙামী ৫১৯ ফাজিন্দুনা থল্লি হায়রি। ইন্দিয়াগী জেলশিংদনা পাকিষ্টানগী ঙামী ১৬৬ ফাজিন্দুনা থল্লি।

ঙামী থাদোকহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা এধি ফাউন্দেসনগী স্পোক্সপার্সন অনৱার কাজমিনা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টাননা অফবা মরী পুরক্লবগী পান্দমদা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিগা চপ মান্নবা মওংদা ইন্দিয়ানসু পাকিষ্টানগী ঙামীশিং থাদোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। পাকিষ্টানদগী থাদোকখ্রবা ইন্দিয়াগী ঙামীশিংনা চৎথোক-চৎশিনদা শীজিন্নবা ফাউন্দেসননা লুপা ৩০০০ খুৎশিন্নখি।

ELECTION URGENT

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DISTRICT ELECTION OFFICER: IMPHAL WEST DISTRICT**

**ORDERS**

Imphal, the 26th February, 2017

**No.DC(IW)/7/ELEC/307/SAE/2017(Vol-I):** In pursuance of Clause (a) of sub-section (1) of Section 160 of the Representation of People Act, 1951, all the polling station buildings/premises located under the Assembly Segments/Constituencies of 9-Thangmeiband, 10-Uripok, 11-Sagolband, 12-Keishamthong, 13-Singjamei, 16-Sekmai (SC), 17-Lamsang, 18-Konthoujam, 19-Patsoi, 20-Langthabal, 21-Naoriya Pakhanglakpa, 22-Wangoi and 23-Mayang Imphal Assembly Constituencies within Imphal West District, Manipur published under this office No. DC(IW)/7/ELEC/84/PS/2012(VOL-I) dated 6th February, 2017 is hereby requisitioned for use as polling stations in the General Elections to the 11th State Legislative Assembly, 2017. The requisition shall be treated as vacated automatically on completion of poll or re-poll as the case may be.

Sd/- C. Arthur Worchuiyo
District Election Officer,
Imphal West District

HL-B/3719/1

# জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা থিগৎনবা মাইত্রেয়ানননা প্রসিদেন্ট উনদুনা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): এ আই এ দি এম কেগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ভি মাইত্রেয়ানননা ঙসি প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী উনদুনা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা জে জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎপীনবা তকশিনখ্রে।

রাজ ৱভনদা প্রসিদেন্টকা উনরবা মতুংদা মাইত্রেয়ানননা হায়খি, জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা চিংনননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি। অহানবদা জয়াললিতাবু এপোলো হোস্পিটালদা পুখৎখিবা মতমদা ইচম চম্না লাইহৌ হৌরকখিবনি হায়বা নৎতনা অতৈ থোইদোকপা অরুবা লায়নাগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিবা লৈতে। ইচম চম্না লাইহৌ হৌবা মীওই অমবু করি মরমগী হোস্পিটালদা নুমিৎ ৭৫ নি থমদুনা লায়েংখিবনো হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা মথৌ তাই।

হৌজিক পাল্লিবা টামিল নাদু গভর্ণ-মেন্টনা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌরক্লোই খঙবদগী প্রসিদেন্টতা ৱাকৎ অসি থাঙ্গৎপনি হায়না মাইত্রেয়ানননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, নুমিৎ ৭৫ নি এপোলো হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরক্লবা মতুংদা জয়াললিতানা হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি।

ও পানিরসেলবমনসু জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বারি চথুগদবনি হায়না তকশিল্লকপা লৈখি। ৱাফম অদু দ্রাভিদা মুনেত্রা কঝাগম (দি এম কে)না শৌগৎলকখি।

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও পানিরসেলবম অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা চিংনননিংঙাই ওইবা মওংদা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎপা মথৌ তাই হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফমদা দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননা শৌগৎখিবনি। মহাক্না হায়খি, জয়াললিতানা হোস্পিটালদা লায়কন্নবা হেক হৌরকপদগীনা তাইবংপান থাদোকখিবা মীৎকুপ অদু ফাওবগী মতাংদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপা মথৌ তাই।

জয়াললিতা লায়েংবদা দিল্লিগী এইমসতগী লাকপা দোক্টর কয়া শরুক য়াখিবা মরম্না হীরম অসিদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়নসু ষ্টেলিননা ফোঙদোকখি।

জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা চিংনননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি হায়না পল্লদুনা দি এম কেগী স্পোক্সপার্সন এ সরাবনন্দনা হায়খি, সী বি আইগুম্বা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অমদা মপুং ফানা থিগৎহল্লগা মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। জয়াললিতা লৈখিদবা থা ২ গী মতুংদা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমনা সুপ্রিম কোর্টকী সীটিং জজ অমনা লুচিংবা ইনক্বারি কম্মিসন অমদা জয়াললিতা লৈখিদবগী মতাংদা থিগৎহল্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

এ আই এ দি এম কেগী সিনিয়র লীদর পি ঐচ পান্দিয়নননা জয়াললিতা লৈখিদবগী থৌদোক চিংনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ইনক্বারি কম্মিসন শেম্বগী ৱাফম লাউথোকখিবনি।

পানিরসেলবমনা হায়খি, জয়াললিতাগী হকচাংগী ফীভম অমসুং এপোলো হোস্পিটালদা লায়কন্নরম্লগা লৈখিদবগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাখলদা চিংনবা অমসুং চমম্নবা ফাওরি। মরম অদুনা মীয়ামগী চমম্নবা কোকহন্নবগীদমক সুপ্রিম কোর্টকী সীটিং জজ অমনা লুচিংবা ইনক্বারি কম্মিসন শেমদুনা হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎহল্লগনি।

জয়াললিতানা হকচাং ঙল্লকখিদ্রবা মতুংদা চেন্নাইগী এপোলো হোস্পিটালদা মতম শাংনা লায়েংদুনা লৈরকখিবগী মতাংদা ময়েক শেংনা ৱাফম অমত্তা মীয়ামদা খঙহনবা তৌখিদে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকখি।

# রিলাইন্স জিওনা ইন্দিয়াদা ৫জি মোবাইল কনেক্টিভিটিগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): রিলাইন্স জিওনা সেমসংগা খুৎশম্নদুনা ইন্দিয়াগী মীয়ামদা ৫জি মোবাইল কনেক্টিভিটিগী খুদোংচাবা ফংহনগদৌরি।

বার্সেলোনাদা পাঙথোকখিবা মোবাইল ৱার্ল্ড কোংগ্রেস ২০১৭ তা ৱা ঙাঙখিবদা সেমসং ইলেক্ট্রোনিক্সকী প্রসিদেন্ট অমসুং নেটৱার্ক বিজিনেসকী মকোক য়ংকি কিমনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াগী মীয়ামদা ৫জি কনেক্টিভিটি ফংহন্নবগী পান্দমদা 'আই এন্দ জি (ইনফিল এন্দ গ্রোথ) প্রোজেক্ট' পায়-খৎলগনি। প্রোজেক্ট অসিগী মতেংদগী ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়ামদা মোবাইল কনেক্টিভিটিগী খুদোংচাবা হেন্না মপুং ফানা ফংহনবগা লোয়ননা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা শেম শারি। জিওনা মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়ামরুম পীবদা সেমসং ইলেক্ট্রোনিক্সসু শরুক য়াবা ফংবদা অপেনবা পোকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রিলাইন্স জিওনা ঙসিদগী জিও প্রাইম মেম্বরশিপ প্লানগী কষ্টমর এনরোল তৌবা হৌখ্রে।

থৌরাং অসিগী মখাদা ৪জিগী দেটা ১জিবি লেম্না ফংহনবগা লোয়ননা চহী ১গী মনুংদা লুপা ১০ থীরগা লেম্না কোল তৌনবগী খুদোংচাবা ফংহনগদৌরি। জিও প্রাইমগী মেম্বরশিপ ফী লুপা ৯৯ নি। অনৌবা চহী হৌবা মতমদা হেপ্পি ন্যু ইয়ার স্কিমগী মখাদা ফংহনখিবা লেম্না ফোন তৌবা অমদি লেম্না দেটা শীজিন্নবগী খুদোংচাবা পুম্নমক জিও প্রাইমগী মেম্বরশিংদা থা খুদিংগী লুপা ৩০৩ থীহল্লগা থা ১২ ফংহনখিগনি হায়রি।

রিলাইন্স ইন্দষ্ট্রিজগী চ্যেরমেন মুকেশ অম্বানিনা রিলাইন্স জিওগী অনৌবা চহী হৌবগী ওফর চহী অমা শাংদোক্লে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, শুপ্নগী নুমিৎ ১৭০গী মনুংদা রিলাইন্স ইন্দষ্ট্রিজগী জিও টেলিকোম য়ুনিটনা সবস্ক্রাইবর মিলিয়ন ১০০ রোম ফংবা ঙমখি। সেকেন্দ খুদিংগী অনৌবা কষ্টমর ৭ ফংবা ঙমখি।

ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা মহাক্না হায়খি, এপ্রিল ১ দগী হৌনা কষ্টমরশিংদগী শেল খোমগৎলগনি। অদুমওইনমক অপাম্বা নেটৱার্ক অমদা শেল তিংদনা ভোইস কোল তৌবগী খুদোংচাবদি মখা তানা অদুমক লৈহনখিগনি।

জিও শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা থা অমদা জি বি ক্রোর ১০০ হেন্না শীজিন্নখি। নোংমগী চাংদা পাথোক্লবদি জি বি ক্রোর ৩.৩ লোমনি। রিলাইন্স জিও ইনফো কম্যুনিকেসন লিমিটেদনা সেপ্টেম্বর থাদা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা কষ্টমরশিংদা লেম্না ভোইস কোল তৌবা য়াহনবগা লোয়ননা অহোংবা দেটা প্লান ফংহন্দুনা লৈবাক্কী টেলিকম্যুনিকেসন মার্কেটতা অহোংবা অমা পুরকখিবনি।

জিও লোঞ্চ তৌখিবা মতমদা অম্বানিনা অতেনবা মতমগী মনুংদা কষ্টরম মিলিয়ন ১০০ ফংবা ঙল্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। অদুমওইনমক মার্চ থাগী মতুংদা জিওগী কষ্টমরশিং মখা তানা অদুমক লৈহনবা ঙমগদ্রা হায়বা ৱাহং অমা থোরকখি। হীরম অসিগী মতাংদা নৈনরিবা এনালিষ্টশিংনা হায়খি মদুদি, মীওই অয়াম্বনা জিও শীজিন্নবগী মরমদি লেম্না দেটা প্লান ফংবগীদমক্তনি।




HL-B/3644/03/02-02/03

HL-B/3681/19/02-18/03 (Alt.)

টৈসংঘৌ/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**